# চাইনাদা নোং কন্না চুবদগী মীওই ১৮০ শিখ্রে, মীওই মিলিয়ন ১৬ অৱাবা মায়োক্লরে



বৈজিং, জুলাই ০৫ (এজেন্সী)ঃ
হন্দক নুমিৎ খরনি অসিদা চাইনাগী য়াংজে তুরেল মপানগী লম কয়াদা ঈশিং ঈচাও থোকপদগী মীওই ১৮০ শিখ্রে হায়না ঙসি মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি। রিপোর্টশিং অদুনা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা টাইফুন অমা লাকপদা মীশি-মীনা হেনগৎলকপা য়াই হায়বগী অকিবসু ফোঙদোক্লি।

নোং কন্না চুবদগী চাইনাগী খ্বাইদগী শাংবা তুরেল য়াংজেগী তোর্বান লম কয়া ঈশিং থুমজিনখিবদগী মীওই মিলিয়ন ১৬ ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরে হায়না বৈজিং ন্যুজনা সিভিল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

সাংহাইগা নক্লনা লৈবা টাইহু পাৎকী ঈশিংগী ঈমায়শিং ১৯৫৪ দগী হৌজিক ফাওবসিদা খ্বাইদগী ৱাংবা লেভেলদা লৈখ্রে। ইরাই নুমিৎতা মনাক নকপা মফমদা টাইফুন য়ৌরকপা তারবদি ঈচাও থোকপা য়াবগী অরুবা ফীভম অমা লৈ হায়না বৈজিং ন্যুজনা মখা তাখি।

ইষ্টর্ন চাইনাদা লৌমী অমনা মহাক্লা লোইরিবা ওক ৬০০০ কী অকোয়বদা ঈশিং মোংখৎলকপা উবদা মপি শীন্থদুনা কপ্পগী পিকচরশিং ষ্টেট মিদিয়ানা ফোঙখি।

অতৈ ইমেজশিংদা সেন্ট্রেল প্রোভিন্স হুবৈদাদা লৈবা স্পোর্টস ষ্টেদিয়ম অমা অকনবা নোংজুনা "অচৌবা ঈরুজনগী টব" অমা ওন্থোকপগী শক্তম উৎখি।

সাউদর্ন চাইনাদা কালেনগী নোংজু মতমদা ঈচাও থোকপসি য়াম্না তোই। তৌইগুম্বসুং মরু ওইনা চহী অসিদদি নোং চুবগী চাং য়াম্না ৱাংখি অমসুং মফম কয়া চয়োল অসিদা অকনবা নোংগী চৈথেং নংখি।

নোং অদু চয়োল অসিদা হুৱাই তুরেল পাংনা চৎখিবা য়াই হায়না বৈজিং ন্যুজনা মখা তাখি। হৌখিবা থাদা চাইনাগী ভাইস প্রেমিয়র ৱাং য়াংনা অকনবা এল নিনোগী ইফেক্টনা, চহী অসিদা য়াংজে অমসুং হুৱাই তুরেলগী তোর্বান লম কয়াদা ঈশিং ঈচাও থোকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎলক্কনি হায়না চেকশিন ৱা ফোঙদোকখিবনি।

হন্দক চহী খরা অসিদা চাইনাদা এল নিনোগী ইফেক্টকা মরী লৈননা খ্বাইদগী শাথীবা ঈচাওশিং থোকখি। কুমজা ১৯৯৮ দা মীওই ৪০০০ হেন্না শিখি। মখোয়শিংদু অয়াম্বনা য়াংজে তুরেলগী মপান্দা ওইখি।

পেপর অদুনা মিটিওরোলোজিষ্ট অমা পল্লদুনা হায়খি মদুদি, চহী অসিগী নোংগী পেটর্নশিং ১৯৯৮ দা লৈখিবদুদগী য়াম্না খেন্নদুনা মান্নবা মীশিগী চাং থোক্লমগদবদু হন্থহনখি।

হৌখিবা চয়োলদা চাইনাগী নেসনল ওবজার্ভেটরিনা লৈবাক অদুগী সাউথ অমসুং ইষ্টকী মফম শীন্থংনা নোংলৈ নুংশিৎ লাকপা য়াবগা মরী লৈননা ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখি। মদু কাখল মরি লৈবা সিষ্টেম অমগী খ্বাইদগী ৱাংবা অনীশুবা ৱার্নিংনি।

হৌখিবা থাদা ইষ্টর্ন প্রোভিন্স জিয়াংহুদা হরিকেনগী মপাঙ্গল লৈবা অকনবা নুংশিৎশিং অমসুং চহীচা তঙ্খায়গী মনুংদা উখিবা খ্বাইদগী শাথীবা টোর্নেদোনা শীৎলকখিবদা খুঙ্গং ময়াম পুল্লপ লৈতেম মান্নহনখি অমসুং য়ামদ্রবদা মীওই ৯৮ শিখি।

সাউথ এসিয়াদসু চয়োল অসিদা ঈচাও থোকখি। মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা নোং কন্না চুবদগী পাকিষ্টানদা মীওই ৩৩ শিখ্রে অমসুং ইন্দিয়াদা মীওই ২৫ শিখ্রে।

# বাংলাদেশনা কেফেগী এটেক্করশিংদা মতেং পাংখিবশিং ফাননবা থিরি

ধাকা, জুলাই ০৫ (এজেন্সী)ঃ
ধাকাগী কেফে অমদা এটেক তৌবদা গনমেনশিংবু মতেং পাংখিবনি হায়না চিংনবা বাংলাদেশকী লোকেল ইস্লামিষ্ট গ্রুপ অমগী মেম্বর তরুক ঙসি লৈবাক অদুগী পুলিসনা কোইথি থিখিবগা লোয়নননা ওফিসলশিংনা মিলিটেন্টশিংনা করম্বা মীহাৎপশিং ওইরকখিবগে হায়বগী লংলা-লংজিন খঙনবা মখোয়গী ইমুংশিংদা ৱাহং পাউহং চথবা হৌখ্রে।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা গনমেনশিংনা ধাকাগী দিপ্লোমেটিক জোনদা লৈবা রেষ্টো-রেন্ট অমদা থোমজিনখি অমসুং অয়াম্বনা মীরৈবাকমচাশিং ওইবা মীওই ২০ হাৎখি। মীরৈবাকমচাশিংদু ইটলি, জপান, ইন্দিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতগীনি। এটেক অদু ইস্লামিক ষ্টেটনা ক্লেম তৌখি।

মদু হৌখিবা চহী অসিদা ইস্লামিক ষ্টেট অমসুং অল-কাইদানা লিবরেলশিং অমসুং লাইনিং-লাইশোলগী মাইনোরিটিশিংগী মেম্বর কয়া পরিং নাইনা হাৎখিবগী থৌদোকশিংবু ইস্লামিক ষ্টেট অমসুং অল-কাইদানা ক্লেম তৌখিবা বাংলাদেশতা খ্বাইদগী শাথীবা মিলিটেন্ট এটেকশিংগী মনুংদা অমা ওইখি। অমরোমদা, গভর্ণমেন্টগী মায়কৈদগীদি ক্লেমশিং অদুবু য়াদ্রি। ইরাই নুমিৎকী এটেক অদুসু ইস্লামিক ষ্টেটনা ক্লেম তৌখিবদা গভর্ণমেন্টনা য়াখিদ্রে।

ইস্লামিক ষ্টেটতা থাজবা থম্বা ফোঙদোকখিবা অথিংবা থমখ্রবা দোমেষ্টিক গ্রুপ অমা ওইরিবা জামা অটুল মুজাহিদীন বাংলাদেশ (জ এম বি)না মহৈ-মশিং নীংথিনা তম্লবা, থোইদোক্লা অৱা-অনং লৈতবা ইমুংগী মচা-মশুশিং অদুবু ওর্গনাইজ তৌবদা মরু ওইবা থৌদাং অমা লৌখি হায়না পুলিসনা থাজৈ।

"কেস অদুদা জে এম বিগী মেম্বর তরুক এক্যুজ ওইনা উৎখ্রে। ঐখোয়না মখোয়বু ফাননবা হোৎনরি মরমদি মখোয়না মাষ্টরমাইন্দ ওইবা য়াই" হায়না ইনভেষ্টিগেসন অদুদা শরুক য়াখিবা সিনিয়র পুলিস ওফিসর সাইফুল ইস্লামনা রোইটর্জদা হায়খি।

হৌখিবা চহী অসিদা জে এম বিবু মীহাৎ কয়াদা চেন্নে হায়না মরাল শীখি অমসুং ইস্লামনা হায়খি মদুদি, লংলা-লংজিল খরা ফংলগনি হায়বগী ৱাখলদা হৌজিক হৌজিক ফাজিন্দুনা থল্লিবা জে এম বিগী মেম্বর ১৩০ হেন্না পুলিসনা ইনট্রোগেসন চথুরি।

"এটেক অসিগী মাষ্টরমাইন্দ কনানো হায়বা ঐখোয়না খঙদে। নুপামচাশিং অসিবু রেষ্টোরেন্ট অদুদা এটেক অমা পাঙথোক্লবা গাইদ তৌখি হায়বসিমদি ঐখোয়না শেংনা খঙলে" হায়না মহাক্লা হায়খি।

"ফোরেন লিঙ্কশিংগী ইভিদেন্সতি লৈতে।"

# বৃটেননা ঈ য়ুদগী তোক্লোই : ওষ্ট্রিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর

হেশন, জুলাই ০৫ (এজেন্সী)ঃ
হৌখিবা জুন ২৪ দা পাঙথোকখিবা রেফরেন্দম অমদা বৃটিশ মীয়াম্না ঈ য়ুদগী তোকপদা শৌগৎতুনা ভোট পীখিদুনসু বৃটেননা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোক্লোই হায়না ঙসি ফোঙখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা ওষ্ট্রিয়াগী ফাইনান্স মিনিষ্টর হান্স জোর্গ ছেলিংনা হায়খ্রে।

"চহী মঙা লৈরবসু মেম্বর ষ্টেট ২৮ অদুম লৈগনি" হায়না ছেলিংনা জর্ম্মন বিজনেস দেলি হান্দলস ব্লাটতা হায়খি।

য়ুরোপিয়ন লীদরশিংনা বৃটেননা ঈ য়ুদা মখা তানা লৈবদগীনা স্বিশ নৎত্রগা য়ুরোপিয়ন মোদেলদা ফ্রী ট্রেদ এগ্রীমেন্ট অমা লোইশিন্নবগী ৱাফম ফাওবা খন্নখি হায়না হান্নগী বিজনেসমেন অদুনা হায়খি।

ছেলিংনা হায়খি মদুদি, স্কোটলেন্দ অমসুং আইরালেন্দগী ভোটর অয়াম্বনা ঈ য়ুদা মখা তানা লৈবগী ৱাফমবু শৌগৎতুনা ভোট পীখিবগা লোয়ননা ঈ য়ুদগী তোকপা পাম্বা ইংলেন্দনা মখোয়গী অপাম্বা চৎচখিবা তারবদি য়ুনাইটেদ কিংদম কায়বা য়াই। পুৱারীদা লৈহৌরগদবা ভোট অদুদা বৃটেন চাদা ৫২ না ঈ য়ুদগী তোকপদা শৌগৎতুনা ভোট পীখি অমসুং চাদা ৪৮ না মখা তানা ঈ য়ুদা লৈবগী ৱাফম শৌগৎতুনা ভোট পীখি। মদুদগী লৈবাক অদুদা পোলিটিকেলগী চরাংনবা ফীভম লাকখি।

বৃটেননা ঈ য়ুদা মখা তানা লৈবগী ৱাফমবু শৌগৎপা কেম্পেইনগী মকোক চিংখিবা প্রাইম মিনিষ্টর দেভিদ কেম্মরন মফম থাদোকখ্রে অমসুং ঈ য়ুদগী তোকপগী কেম্পেইনগী মরু ওইবা তোপ ফিগরশিংসু মখোয় মখোয়গী পোজিসনশিংদগী রিজাইন তৌখ্রে। ওপোজিসন লেবর পার্টিদা লীদরশিপকী লাল অমসু হৌখ্রে হায়রি।

ঈ য়ুগী ফেলো মেম্বর খরনা শেল-থুমগী তং তাদবগী ফীভম অমা লৈরিবদু কোকহন্নবগীদমক্তা বৃটেনবু ঈ য়ুদগী তোক্লবা প্রোসিদিংশিং খুদক্তা লৌখৎহন্নীংলি। তৌইগুম্বসুং গভর্ণ-মেন্টনা অসুম্না তৌনবগী লোগী তঙাইফদবা লৈতে হায়রি।

# জকার্টাদা চথখিবা রেম্মদনগী সুইসাইদ বোম্মিং এটেকতা বোম্মর মশা শিরে



জকার্টা, জুলাই ০৫ (এজেন্সী)ঃ
ঙসি অয়ুক ইন্দোনেসিয়াগী সেন্ট্রেল জভাদা লৈবা সীটি সোলোগী পুলিস হেদ ক্বার্টরসতা চঙনবা হোৎনখিবা সুইসাইদ বোম্মর অমা মশা মথন্তা পোকখায়বদা শিখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

এটেক্কর অদুনা মোটোরসাইকল অমা তোংদুনা মনুংদা চঙনবা হোৎনখি। ওফিসরশিংনা মহাকপু খাম্নবা হোৎনখিবা মতমদা মহাক্লা বোম পোকখায়হনখি হায়না সেন্ট্রেল পুলিস গ্রান্দ কম্মিস্নার অলোয়সিয়স লিলিয়েক দার্মিন্টোনা সী এন এনদা হায়খি।

মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংদগী হেন্না মুস্লিম মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা ইন্দোনেসিয়াদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা চথরিবা বোম্মিং অদু শেংলবা রেম্মদন মনুংদা মালেমগী মফম কয়াদা চথরকখিবা এটেকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ইনৌ নৌবনি।

টেরর গ্রুপ আই এস আই এসনা হোলিদে মনুংদা মীশি-মীনা হেন্না থোকহনগনি হায়না চেকশিন্না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে অমসুং হৌজিক ফাওবদা টর্কি, বাংলাদেশ, ইরাক অমসুং সাউদি অরাবিয়াদা হৌখিবা চয়োল অসিদা শাথীরবা এটেক কয়া চথখ্রে। তৌইগুম্বসুং এটেক খুদিংমক আই এস আই এসনা পাঙথোকখিবদি নত্তে।

মালেমগী মফম কয়াদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা রেম্মদন লোইশিন্নরি। সেন্ট্রেল জভাগী সোলোদা লৈবা লোকেল পুলিস হেদক্বার্টরতা সুইসাইদ বোম্মর অমনা মশা পোকখায়জখিবা মফমদুগী অকোয়বদা পুলিস বোম স্কৱাদকী মেম্বরশিংনা য়েংশিনখি।

আই এস আই এসনা হন্দক এসিয়াদা মখোয়গী খোঙফম হেন্না পাকথোক চাউথোক্লবা হোৎনরকখি। গ্রুপ অদুনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মালেসিয়াদা মখোয়গী অহানবা এটেক মায় পাক্লা পাঙথোকখি অমসুং হৌখিবা চয়োলদা বাংলাদেশকী কেপিটেল ধাকাদা চথখিবা শাথীরবা এটেকসু ক্লেম তৌখ্রে। অমরোমদা বাংলাদেশ গভর্ণমেন্টনদি এটেক অদু ইস্লামিক ষ্টেটকী খুৎনি হায়বা য়াদ্রি।

ইরাক অমসুং সিরিয়াগী মফম কয়াদা কালিফেটকী লম কয়া মাঙশিল্লক্লবা আই এস আই এসনা বাংলাদেশতা এটেক চথখিবা অসিনা গ্রুপ অসি মফম কয়াদা থবক তৌবা হৌজিকসু ঙম্লি হায়বা উৎলি।

জভা ঈথৎতা লৈবা সোলো অসি ইন্দোনেসিয়াগী প্রসিদেন্ট জোকো ৱিদোদোগী হোমটাউননি। টাউন অসি কুমজা ২০১৪দা আই এস আই এসপু শৌগৎপা ফোঙদোকখিবা জেলদা থল্লিবা রেদিকেল ক্লারিক অবু বাকর বাসয়ির য়াওনা ইন্দোনেসিয়াগী ইস্লামিক হার্দলাইনরশিংগী হোম টাউনসু ওইরি।

বোম্মিং অদু পাঙথোকখিবা মতমদা ৱেষ্টর্ন ইন্দোনেসিয়াদা লৈবা সুমাত্রাগী পাদাংদা লৈরিবা ৱিদোদোনা এটেকতুগী মতাংদা টি ভিদা ৱা ঙাঙখি।

"ঐখোয়না চাকহেন থা রেম্মদনগী অরোইবা নুমিৎ য়ৌরক্লিবা অসিগা ইরোয়নননা মীয়াম্না মোং হাদনা লৈগনি হায়না থাজৈ" হায়না মহাক্লা হায়খি। "অসিগুম্বা এটেকশিং অসিদা ঐখোয়না কিনিংঙাই ওইদে।"

ৱিদোদোনা পুলিসতা থৌদোক অদুবু থিজিন্নবা অমসুং এটেক অদুবু পাঙথোক্লিবা নেটৱার্ক অদুগী খোঙ্গুল লীননবা হায়খি।

টেররিজমগী থবক থৌওং অমত্তা ওইনিংবা মরম ওইদুনসু তুমিন্না লৈথোক্লিংঙাই ওইদে হায়রদুনা মহাক্লা বাংলাদেশ, ইরাক অমসুং সাউদি অরাবিয়াগী এটেকশিং অদুবু কন্দেম তৌখ্রে।

সাউদি অরাবিয়াগী অল-মসজিদ এন-নবাৱি মোস্ককী মনাক্তা নিংথৌকাবা নুমিৎতা চথখিবা এটেক অদু লৈবাক অদুদা পুং ২৪গী মনুংদা চথখিবা এটেক অহুমগী মনুংদা অমা ওইখি। মদু মালেমগী মুস্লিমশিংগী ওইনা খ্বাইদগী থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইবা এটেকশিংগী মনুংদা অমনি।

সোলো অসি মতম শাংনা ইন্দোনেসিয়াগী ইস্লামিক ফন্দামেন্টা-লিষ্টশিংগী নর্ভ সেন্টর অমা ওইরকখি। রেদিকেল লীদর কয়া মফমদুদা মখোয়গী তুংইনবা কয়া লৈরকখি।

সাউথ ইষ্ট এসিয়ন লৈবাক অদু মপুং ওইনা য়েংবদা টেররিজমগী প্রোব্লেম লাকশিন্দুনা লাকখি। তৌইগুম্বসুং মালেমগী মফম খরদা ইস্লামিক ষ্টেটনা মকোক হাইগৎলকখিবা অসিনা সোলো অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী অতৈ মফমশিংদা মচোই-মচোই ওইনা লৈরিবা টেররিষ্ট নেটৱার্কশিং নৌনা অমুক পুনশিল্লকপা য়াবগী অকিবা পোকহনখি।

হৌখিবা জান্যুৱারিদা জকার্টাগী মরু ওইবা বিজনেস এরিয়াদা ইস্লামিক ষ্টেটকা মরী লৈনবা ইন্দোনেসিয়ন এটেক্করশিংনা নোংমৈ অমসুং বোমগী এটেকশিং চথবদা এটেক্কর মরি অমসুং সিভিলিয়ন মরি শিখি। মদু ইন্দোনেসিয়াদা ইস্লামিক ষ্টেটনা ক্লেম তৌবা অহানবা এটেক ওইখি।

সোলোগী এটেক অদু লেপ্তুনা মশা-মরেং লোংথোরক্লিবা টেররিজমগী নেটৱার্ক অমনা চথখিবনি হায়না কিরোনোনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পাউমীশিংদা হায়খি।


# জেদাহগী সুইসাইদ বোম্মর মশক খঙলে, পাকিষ্টান মচানি : সাউদি অরাবিয়া

রিয়াদ, জুলাই ০৫ (এজেন্সী)ঃ
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী নিংতম্বা নুমিৎ হৌখিবা নিংথৌকাবগী অঙনবা মতমদা জেদাহদা লৈবা অমেরিকান কোন্সুলেটকী মনাক্তা চথখিবা বোম্মিং এটেক অদু পাকিষ্টানি মীওই অমনা পাঙথোকখিবনি হায়না সাউদি অরাবিয়াগী ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

বোম পোকখায়বা অদুদা সিক্যুরিটি ওফিসর অনী শিখি। থৌদোক অদুদা চেন্নবনি হায়না চিংনরিবা মীশক অদু মশাগী চহী ৩৫ শুরবা অব্দুলা ৱাকর খান কৌবা অৱাইবা কার দ্রাইভর অমনি হায়বা খঙলে। মহাক মহাক্কী নুপী অমসুং মমা-মপাগা লোয়ননা জেদাহদা চহী ১২ রোম লৈরকখি হায়রি।

চৈরকসিদা, পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফনা ঙসি সাউদি অরাবিয়াগী টেররিষ্ট এটেকশিং অদুবু কন্দেম তৌখ্রে অমসুং মালেমগী ওইবা এন্টি-টেরর পাউখুম অমা পুথোক-হন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদু ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা ক্লেম তৌখিবা নৎত্রগা জিহাদিষ্টশিংনা পাঙথোকখিবনি হায়বা এটেক কয়াগী মরক্তা থোক্লক্লিবনি। হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা বাঘদাদতা চথখিবা সুইসাইদ বোম্মিং অমদা মীওই ২০০ হেন্না শিখি অমসুং বাংলাদেশ অমসুং ইস্টানবুল এয়রপোর্টতসু হন্দক এটেক কয়া চথখি। নিংথৌকাবগী অথেংবদা ইস্লামগী শেংলবা মফমশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মেদিনাদা লৈবা প্রোফেট মহম্মদকী মোস্ককী মপান্দা চথখিবা সুইসাইদ বোম্মিং অমদা সাউদি সিক্যুরিটি পার্সনেল ৪ শিখি অমসুং অতৈ মঙানা শোকখি।

নুংশঙ লায়েংফম
By:- Mv. Kayamuddin
Contact No.
+918575814720 / +917308613937
ঈ-তাবা, নুংশঙ, চিকপা-নাবা, পোম্বা, ককলাই, গেষ্টিক, য়া চিকপা, সৌজ নাম্বুবা, সাইনস, অঙৌবা চৎপা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, ডায়বেটিস, তোনসিন, এজমা, লায়না কয়া অসিবু মায় পাক্লা লায়েংজরি।
Mayang Imphal Bengoon Maning, Konchak Bazar -795132
HL-B/3129/08/06-07/07






HL-B/3146/18/06-17/07


## NOTICE
### MANIPUR PANCHAYATI RAJ GOVT. EMPLOYEES ASSOCIATION

লাক্লিবা তাং ০৯/০৭/২০১৬ ইং, থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯:৩০ তাবা মতমদা Manipur Panchayati Raj Govt. Employees Association (MPGEA) গী জেনরেল বোদি মীটিং লোয়ননা নৌনা এসোসিয়েসনগী মেম্বর ওইরক্লবা Panchayet Secretary শিংগী Get-Together থৌরম Panchayat Bhavan Hall, Porompat তা পাঙথোকচরগনি। মরম অসিনা অনৌবা অমদি অরিবা Panchayat Secretary শিং, Advisor ওইনা লৈরিবা Extention Officer Panchayat, Auditor Panchayat, Inspector Panchayat অমদি Administrative Staffs শিং মতম চানা য়ৌবীরক্লবা খঙহঞ্জরি।

খঙহঞ্জরিবা ঃ K. Anand Singh
Secretary, MPGEA, Manipur
HL-P/9028/ 6 & 8

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

*Ref:- Mut Case No. 954/SDC/IW-L/ 2016*

Khomdram Bimol Singh S/o (L) Birendrakishor Singh of Kwakeithel Bazar -Petitioner

-Vrs-

Late Khomdram Dhanachandra Singh S/o (L) Jadu Singh of Kwakeithel -O.P. Party

### NOTICE

The 4/07/2016

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার খোমদ্রাম ধনচন্দ্রা সিংহ, পীং মৃঃ যদু সিংহ, সাং ক্বাকৈথেলগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৫২-লাইঙমখুলগী অনৌবা পাট্টা নং ৯, দাগ নং ৪১ অমসুং এরিয়ানা ২.৮৩০০ চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপত্তি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপত্তি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

Sd- N. Shantabir Singh
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang
HL-P/9040/ 6

# EMPLOYMENT NEWS

## AIR INDIA LIMITED RECRUITMENT 2016 – ASSISTANT SUPERVISOR VACANCY – WALK-IN-INTERVIEW 25 JULY

Air India Engineering Services Limited (AIESL) invites application for the post of Assistant Supervisor in Engineering Department, Kolkata. Walk-in-Interview 25 July 2016.

**Job Details :**
Post Name : Assistant Supervisor
No. of Vacancy : Not Specified
Pay Scale : Rs. 15180/- (Per month)

**Eligibility Criteria for Air India Recruitment :**
Educational Qualification : Graduate from a recognized university with diploma in Computer Applications/ certificate course (Minimum 1 year duration) from any Govt. recognized institute with minimum 2 years post qualification work experience in data entry/ computer applications from a Govt. organization OR BCA from any Govt. recognized institutes with minimum 2 years post qualification work experience in data entry/ computer applications from a Govt. organization.
Nationality : Indian

**Age Limit :**
For General : 33 years
For O.B.C. : 36 years
For SC/ST : 38 years

**Job Location :** Kolkata (West Bengal)
Selection Process : Selection will be based on Personal Interview.
**Application fee :** Candidates have to pay Rs. 1000/- through demand draft drawn in favour of Air India Engineering Services Limited Payable at Delhi. SC/ST/ Ex-Servicemen are exempted from the payment of application fee.
**How to Apply Air India Vacancy :** Interested candidates may appear for Interview with prescribed application form along with coloured passport size photograph of full face (front view) pasted neatly in the space provided, self-attested & original copies of supportive documents in respect of educational qualification, date of birth proof, experience, technical/ license qualifications & caste certificate (for SC/ ST/ OBC) at the time of Interview.
**Venue Of Interview :** Air India Engineering Services Limited, APU Centre, Engineering Complex, Eastern Region New Technical Area (NTA), Dum Dum Airport, Kolkata- 700 052.
**Important Dates to Remember :**
Date of Interview : 25.07.2016 at 09:00 AM
**Important Links :**
Detail Advertisement & Application Form Link : http://www.airindia.in/writereaddata/Portal/career/291_1_RecruitmentNotificationAsstSupervisorinAIESLER.PDF

## AIR INDIA LIMITED RECRUITMENT 45 SENIOR EXECUTIVE & EXECUTIVE VACANCY WALK-IN-INTERVIEW 25 JULY 2016

Air India Limited invites application for the post of 45 Senior Executive & Executive on fixed term employment basis. Walk-in-Interview 25 July 2016.

**Job Details :**
Post Name : Senior Executive
No. of Vacancy : 03 Posts
Pay Scale : Rs. 1.5 lakh/- (Per month)
Post Name : Executive
No. of Vacancy : 42 Posts
Pay Scale : Rs. 80000/- (Per month)

**Eligibility Criteria for Air India Recruitment :**
Educational Qualification :
For Senior Executive : MBA or equivalent in Marketing /HR/ Finance with 10 years of service experience in the relevant.
For Executive : MBA /CA/ ICWA /B.E/ B.Tech.(Computer Science/ Electronics/IT/ Mechanical/ Aeronautical/ Electrical/ Instrumentation/ Industrial Production) or equivalent in HR/ Marketing/ Finance/ Material Management with 5 years service experience in relevant.
Nationality : Indian

**Age Limit :**
For Senior Executive : 48 years
For Executive : 45 years

Job Location : All India
**Selection Process :** Selection will be made on Group Discussion, Personal Interview & Medical Test.
**Application fee :** Candidates have to pay Rs. 2000/- through demand draft drawn in favour of Air India Engineering Services Limited Payable at Delhi. SC/ST/ Ex-Servicemen are exempted from the payment of application fee.
**How to Apply Air India Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with self-attested photocopies of relevant documents & DD at the time of Interview.
**Venue Of Interview :** Air India Engineering Services Limited, Office of the General Manager (Engineering), Northern Region New Avionics Complex Terminal -2, I.G.I. Air Port, New Delhi-110037.
**Important Dates to Remember :**
Date of Interview : 25.07.2016 at 09:00 AM
**Important Links :**
Detail Advertisement & Application Form Link : http://www.airindia.com/writereaddata/Portal/career/287_1_CONTRACTUALAPPOINTMENTOFMARKETINGFINANCEMMDITANDEFDPERSONNELinAirIndiaEngineering_Services_.pdf

## AIR INDIA LIMITED RECRUITMENT – 10 FLIGHT DISPATCHER VACANCY – LAST DATE 15 JULY 2016

Air India Limited invites application for the post of 10 Flight Dispatcher for SC/ST/OBC Candidates on contract basis. Apply before 15 July 2016.

**Job Details :**
Post Name : Flight Dispatcher
No. of Vacancy : 10 Posts
Pay Scale : Rs. 49255/- (Per month)

**Eligibility Criteria for Air India Recruitment :**
Educational Qualification : 10+2 or an equivalent examination with Physics & Maths from a recognized Board/University and DGCA approved Dispatcher License and RT license.
Nationality : Indian
Age Limit : 40 years (As on 01.06.2016)

**Age Relaxation :**
For OBC Candidates : 3 years
For SC/ST Candidates : 5 years

Job Location : All India
**Selection Process :** Selection will be made on Personal Interview.
**How to Apply Air India Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with photocopies of relevant documents send to Alliance Air Personnel Department Lufthansa Hangar Building, adjacent to the Office of ED (NR),Air India Limited, Terminal -1B, IGI Airport, New Delhi – 110037 on or before 15.07.2016.
**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application : 15.07.2016
**Important Links :**
Detail Advertisement & Application Form Link : http://www.airindia.com/writereaddata/Portal/career/282_1_Advertisementforflightdespatcher.PDF

## MIZORAM PSC INVITES APPLICATION FOR THE POST OF 03 LECTURER (MCON) . APPLY BEFORE 29 JULY 2016.

Advt No. : 12 OF 2016-2017

**Job Details :**
Post Name : Upper Division Clerk (UDC)
No. of Vacancy : 03 Posts
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs.5400/-

**Eligibility Criteria for Mizoram PSC Recruitment :**
Educational Qualification : 1st Class Master degree in Nursing in the appropiate line of specialty of a recognized university.
Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 35 years (as on 01.07.2016)
Age Relaxation : 5 years (for SC/ST Candidates)

**Job Location :** Aizwal (Mizoram)
**Application Fee :** Application fee of Rs 320/- For General Candidates and Rs 270/- for SC/ST Candidates should be paid by cash at the Reception Counter of Mizoram Public Service Commission Office or by depositing into the Treasury under the Head- 0051-PSC, 102-State PSC (Examination Fee. etc) or by uncrossed Indian Postal Order ( IPO) drawn in favour of Secretary, Mizoram Public Service Commission.
**How to Apply Mizoram PSC Vacancy :** Interested candidates may send their applications along with attested copies of IPO/ Challan form, HSLC certificates/ mark sheets, caste certificate etc & other relevant documents to the Office of Deputy Commissioner, Mizoram Public Service Commission , New Secretariat Complex, Aizwal on or before 29.07.2016.
**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application : 29.07.2016
**Detail Advertisement Link :** https://mpsc.mizoram.gov.in/uploads/files/advertisment-no-12-of-2016-2017-lecturer-mcon.pdf